HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মে ৩দগী কাঙলূপ মশেলগী অকনবা লান থোরকপদগী সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চয়োম শানা ঙাক শেল্লক্লিবা ন্যু চেক্কোনদা য়ূম খরা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবদা ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেলশিংনা মূখৎনবা হোৎনখিবা

পীফম খঙদ্রবা পাউজেল অমা
☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪

'খুল ঙাক্লিবশিং মণিপুর কন্নবনি, পোলিটিক্সকা শম্নহল্লক্কনু'
☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

সেরৌ কো-ওপরেটিভ লৈকায়দগী রিমসকী সর্জরি ৱার্দতা লায়েংলক্লিবী মশাগী চহী ১০ রোমদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লুপা লিশীং ৫গী শেনফম খুৎশিন্নবা
(লমায় ৭)



Vol. 47, Issue No. 275 | ইরাই পোইনুগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, January 05, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00




## মোরেদা পুলিসকী অহেনবা পর্সনেলশিং চঙশিনখ্রে

# দি আই জি ১না লুচিংদুনা কুকি মিলিটেন্টশিং অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা থিগদৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মমাঙ থাগী ৩০ অমসুং থা অসিগী ২দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা মোরেদা দিপ্লোই তৌরিবা পুলিসকী স্পেসল কম্মান্দো পর্সনেলশিংদা এটেক তৌরক্তুনা পূন্না ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেল ৯ অমসুং বি এস এফকী পর্সনেল অহুম শোকহনখ্রবা মতুংদা বোর্দর টাউন অসিগী এরিয়াদা ওপরেট তৌবা কুকি মিলিটেন্টশিং অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা থিনবগী অহানবা খোঙথাংদা ঙসি মোরে তম্না পুলিসকী পর্সনেলশিং পুবা বুলেট প্রুফ গাড়ী মঙা চঙশিনখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা গাড়ী মঙা অদুগী মনুংদা অহুম্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমসুং মহাক্কী পর্সনেলশিংগীনি। অদুগা বুলেট প্রুফ গাড়ী অনীনা



মোরে তম্না চঙশিনখিবা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেলশিং পুবা বুলেট প্রুফ গাড়ীশিং

পুলিস দিপার্টমেন্টকী 'দি জি পি পুল' দগীনি। বুলেট প্রুফ গাড়ী অমমমদা খূৎশু-খূৎলায় ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর ভাইওলেন্সকী কম্মিসনদা এফিদেভিট পীশিনবগী মতম শাংদোকখ্রে

# লৈঙাক্না অফস্পা অমুক হন্না থমজিল্লকপগী থ্রেট তৌফম থোক্তে : পোলিটিকেল পার্টি ১০

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাংগী মতাংদা থিজিন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা জুন ৪দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না গৌহাটি হায় কোর্টকী হান্নগী চীফ জষ্টিস অজয় লম্বানা চেয়রপর্সন ওইবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি (মণিপুর ভাইওলেন্স) ২০২৩দা কন্নাগুম্বা মীওইশিংনা মখোয়গী ওইবা ৱাফম/ ৱারোল নৎত্রগা কমপ্লেন্ট/এলিগেসন্নচিংবশিং এফিদেভিট ওইনা পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ চৎলিবা থাসিগী ২৪ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ন্যু দেল্লীগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মগী হেরিটেজ বিল্ডিংগী অহানবা ফ্লোরগী রুম নম্বর ১৩দা লৈরিবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি অসিগী মায়কৈদগী মসিগী সেক্রেটরিনা অইবা চেরোল অমা থোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, কম্মিটি অসিদা ঈরাংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং এফিদেভিট ওইনা পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ঙসি ওইখিবনি। মসিগীদমক সেন্টর ফোর ওর্গনাইজেসন রিছর্স এন্দ এদ্যুকেসন (কোর) গী প্রসিদেন্ট ডা. লাইফুংবম দেবব্রতরোয়না ঙরাং কম্মিসন অসিগী চেয়রপর্সনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা এফিদেভিটশিং পীখৎলকপগী মতম শাংদোকপীনবা হায়জখিবনি।

অমরোমদা, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মণিপুরগী অফস্পা লৌথোকখ্রবা মফমশিংদা অমুক হন্না থমজিল্লকপগী ফীভম লৈরক্লবদি মদুগী থৌদাং কনানা পুগদগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফেঙদোরকপবু পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মায়কৈদগী য়ানীংদবা উৎলদুনা করিগীদমক্তা এক্ট অসিবু লৌথোকখ্রবা ষ্টেট অসিগী মফমশিংদা অমুক হন্না থমজিনগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং হংখ্রে।

ৱাহং অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী কনভিনর ওইরিবা সী পি এমগী ষ্টেট সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হংখিবনি।

মহাক্না হায়, অফস্পা লৌথোক্লবগীদমক সী এস ওশিং অমসুং মীয়াম অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং ফাওবা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবনি। অদুগা হৌজিক্না পোলিটিকেল পার্টিশিংদা, মীয়ামদা অমদি সী এস ওশিংদা ওনশিল্লগা অফস্পা লৌথোকখ্রবা মফমশিংদা অমুক হন্না থমজিল্লকপা য়াই হায়বনচিংবগী কিহন-খংহনবগী থবক লৈঙাক অসিনা তৌফম থোক্তে হায়খি।

তশেংনমক হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদি লৈঙাক অসিনা শোয়বদগী থোক্লিবনি হায়রদুনা লো থুগাইবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলন্নবদি থৌদোকশিং অসি থোক্লম্লোই হায়খি। লৈঙাক অসিনা ৱাঙাঙ খুদিংদা মমাঙগী লৈঙাকহায়দুনা হেক হেক পল্লিবা অসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদসু মমাঙগী লৈঙাক্তা শরুক য়ারম্বা কয়া য়াওরি হায়নসু ফোঙদোল্লদুনা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমশিংসু পীখি।

## লিলোং চীংজাওগী থৌদোক

### আর পি এফনা থিগৎপদা অহানবা ফংবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ :** আর পি এফ/পি এল এগী সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা 'নীংতম পাউজেল' দা অপলোদ তৌরকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ১গী লিলোং চীংজাওগী থৌদোক্কী মতাংদা অহানবা ওইনা থিগৎলুবদা ফংলকপনি হায়বা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## সেন্ত্রেল ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লক্লিবা ন্যু চেক্কোনদা য়ূম খরা মৈ চাকখ্রে

(অকুপ্পা পাউ লমায় ৩দা)

## নোংমৈ কাপ্লগা কার লৌখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা থৌবাল কৈথেলগী লৈশাংথেম তাবা লম্বী পরিংগী মফম অমদা লৈবা সোইবম রিকিশ্বামি এলিয়জ গাৱা (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস রঞ্জিৎ কৌবা মীওই অমগী থোঙ্গালদগী বোলেরো এস য়ু ভি অমসুং আই-২০ কার অমদা লাকপা মীওইশিংনা নোংমৈ রাউন্দ অমা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌরম্লগা মারুটি স্বিফ্ট কার অমা লৌখ্রে হায়রি।

## অসামদা এম আর/আই আর বিগী ত্রেনিং

### লৈবাক ৱাথোক ওইরক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্না পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টশিংদা খনখিবা মণিপুর রাইফলস/ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়নগী অপূনবা রাইফলমেন ২০১২গী বেসিক ত্রেনিং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা অসামদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরকপদগী মসিগী মায়োক্তা ত্রেনিং য়াওরগদবা কেন্দিদেট খরনা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়নন্না করিগুম্বা এম আর অমসুং আই আর বিগী ত্রেনিংশিং অসামদা তৌরবদি লৈবাক ৱাথোক ওইরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

পাউ অসিনা হায়বদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অসামগী দেরগাওনদা লৈবা পুলিস ত্রেনিং কোলেজদা এম আর অমসুং আই আর বিগী অনৌবা রিক্রুট ১৮২৯ অমসুং ১৮৩গী ত্রেনিং পাঙথোক্লবগীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মণিপুর পুলিস ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ককচীংগী রিলিফ কেম্প ৩৮দা মীওই ৪৩৯৩ চঙজফম লৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী হৌরক্লগা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান অসিনা শোকহনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩৮দা রিলিফ কেম্পশিং লৈরিবগা লোয়নন্না কেম্পশিং অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা নুপী অঙাংশিং য়াওনা পূন্না মীওই ৪৩৯৩নি হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূনবা রিলিফ কেম্প ৩৮গী মনুংদা মী খ্বাইদগী য়াম্না চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পনা ইমা নোংথোং লাইরেম্বী রিলিফ কেম্পনি। হায়রিবা কেম্প অসিদা নুপী অঙাং য়াওনা পূন্না মীওই ৫১৯ লৈরি। অদুগা অনীশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না লৈরিবনা খোমদোনবী মেমোরিএল ইংলিস স্কুলদা মীওই ৩২৬ লৈরি হায়রি।

## সেরৌদা বোম লৈরম্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সেরৌ পার্টগ্রীগী সর্শ্বতি প্রাইমারি স্কুলগা ইরাপ লাপ্পদনা লৈবা মফম অমদা ৫১ এম এমগী মোর্টার সেল অমা লৈরম্লে।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী শুগুনু পুলিসনা ৩৭-এ আর 'বি কম্পেনি' গী বোম স্কৱাদকা পূন্না লাক্তুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## কছারদগী লুপা ক্রোর ৪ হেনবগী হিরোইন ফারে

**গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী):** অসাম পুলিসনা ইল্লিগেল দ্রগকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী মথক্তা লেপ্তুনা চত্থরকপা অকনবা ওপরেসনগী মনুং চন্না কছার দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী দ্রগ লল্লোনবা ২ ফাগৎখিবগা লোয়নন্না মখোয়দগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৪.৮ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন গ্রাম ৬০০ ফারে হায়না চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াল্লবা দ্রগশিং অসিবু মায় পাক্না ফাগৎপা ঙম্বগীদমক মহাক্না সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদসু অসাম পুলিসপু থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং থোরকপদগী মণিপুর ফাওরগা পুথোক পুশিন তৌরম্বা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী লম্বী হোংদোকখ্রবনি।

## লানগী চৈথেং নংলবা আর্টিষ্টশিংগী থম্মোয়গী পাউদম-৭

# মণিপুরী ফিল্মগী কেমেরামেন সুরচান্দ শেল লৈতবদগী না অনীমক তাদবগী ওপরেসন তৌবা ঙম্লমদ্রে, লৈঙাক্না তেংবাঙগনি হায়রবসু পাংবীরমদ্রে

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচএনএস):** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী চৈথেং ফংলিবশিংগী মনুংদগী অহানবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদা খোঙদারিবা মণিপুরগী শুমাং লীলা, ফিল্ম, ঈশৈ, দ্রামা, ৱারী লীবনচিংবগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং মথং-মথং পাউদল্লকপগী মখা তারকপদা মণিপুরী ফিল্মগী মমিং লৈরবা কেমেরামেন সুরচান্দ মোইরাংথেমগা হকথেংননা উনরুবদা মহাক্কী ইমুংগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম অঙকপা ফংনা খম থেংনা শোকচিল্লম্বদা নত্তনা মহাক্কী না অনীমক তাদবদগী ডাক্তরনা ওপরেসন অমা তঙাইফদনা তৌননবা এদভাইস পীরকখ্রবসু লায়েংশেল লৈতবগা লৈবাক্কী ঈরাং কনবগা মপা-মপা ওইদুনা লায়েংদনা অদুমক লৈরম্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



সুরচান্দ মোইরাংথেম

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## HL Poll

Q : Central forcena cheksinna ngak sellakliba New Checkongi yumsing mei chakhribasi AFSPA amuk hanna thamjillaknaba thourang touba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi tamthiraba Lan Union leingakna khamdrabanina Meeteisingna angamba pambei puthoklaga thengnaba tare haibada langadra?

Yes 33% No 67%

## অস! লোইরেহে!

- ঐখোয়গী সারসি অফবা অমত্তা তৌরমদে, অৱাবা ফোঙদোকপা য়াদ্রে।



- সি হেক্তা পাশিল্লুসে!

# কুমজা ১৯৯৩গী মমাঙদা মোরেদা চিন-কুকি, মার, পাইতে, জৌ, বাইফৈনচিংবা অমত্তা লৈরমদে : থাংজম সুবোল

## হকথেংনবা পাউদম

*মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ তুরেল ৱাংমদগী খুঞ্জা অমা*

(ঙরাংগী মখা...)

য়ূম মৈ থাদোকখিবদা ৱানা তাঞ্জদুনা তুংশিঞ্জবা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৩০, সনা সন ২, ওক মপী ৬ য়াওনা লুপা লাখ ১০ রোমগী পোৎ চৈশিং উৎ ওনখি। লাঞ্জেন্দুনা ঐখোয় মোরেগী অসাম রাইফলসকী কে এল পিদা নুমিৎ ১৫নি লৈখি। মফম অদুদা মী য়াম্মনবনা তূস্ফম-চাফমগী অৱাবা মায়োক্লখি। নুমিৎ ১৫নি লৈরক্লবা মতুং পল্লেলগী এ আরগী কেম্পতা অমুক লাকখি। মফম অদুদা অহিং অমা লেক্লম্লগা মথংগী নুমিৎতা ককচীং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবনি। মফম অদুদা থা অনী রোম লৈরম্লগা হৌজিক্না ৱাঙ্খ্রে হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পসিদা লৈরক্লি। ঐহাক হৌজিক হার্টকী প্রোব্লেম লৈবদগী নিংথিজনা শ্বর হোনবা ঙমদে। শ্বর হোনবগী চাং তপথরক্লবদি য়াম্না ৱাই হায়রকখি।

অদুবু মোরেদা ওইরিবা ফীভম পল্লদুনা মহাক্না হায়, মফম অদুদা ঐচ পি সী অমদি কে এস ওনচিংবনা টেক্স ওইনা থাদা লুপা ৫০/৫০ লৌই। তশেংনমক মখোয়গী থৌওং অসি য়ূমদাংবনা কৈনাইবগী ফীভমনি হায়রদুনা মণিপুর লৈঙাক্না য়াইথীবী লৌকোলদা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউস শাবা লোইরবসু চঙদুনা লৈনীংদে। মরমদি মফম অদু য়ূম লন্না তাবা মফমনি। থা ৮ মপূং ফারক্লবা ঈরাং অসি ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু। মোরেদা মরু ওইনা ঈরাং তৌরিবা কে এন এ অমদি য়ু কে এল এফ লোইশিনগে হায়রবদি পুং অমা ফারোই হায়রকখি।

সুবোলনা মখা তানা হায়, মতম অমদা য়াম্না ঈংন-চিক্না লৈজরম্বা মণিপুরগী অরোইবা ঙমখৈ ওইরিবা মোরে টাউন অসি ম্যান্মার লোমদগী লোগী ৱাংমদা চঙলকপশিংনা হূকামশিন্দুনা অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা অমসুং খৎননবা হোৎনদুনা লাকখি। করিগুম্বা খৎন-চৈনবা য়াওরকপা মতমদা মখোয়না লানগেরা-চুমগেরা ময়াম চঙশিন্দুনা কনখৎতুনা থম্মী, অচুম-অরান থিবগী ৱাফম লৈতে।

তশেংনমক লো খঙদব্রা হায়রবসু অখঙবা শাই হায়রদুনা ঈরাং অসি বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রকখি।

HL-B/8470/5,8

